# থম্মোয় অনী শিন্ননবা পান্বে অমা থিরকপা

হায় স্কুল তন্লিঁঙৈ মতম অদুদদি লেং-মান্নবী (চহী লোঙ্গা) গী নুপীশিংগা লাইরিক তম্মীন্নদুনা, নক্কা লোয়নবগী তাঞ্জাদুমদি ফংলকখিদে, তেরা বোইজ জুনিয়র হায় স্কুল অমদি রাম লাল পাল হায় স্কুল অনীসিনা নুপামচা ঙাক্তা তম্বা স্কুল ওইরম্বনা। লৈকায়গী ঈথক-থোংবা ইয়াম্বশিংনা শীন-লাঙবা 'সম্মর-কোচিং-ক্লাস' কী থা অমগী মতমদুদা পূন্না লাইরিক তম্মীন্নরকখিবী লৈকায়গী লেং-মান্নবী খরগী পুন্সি মমি ঐগী থম্মোয়সিদা তারিবসিনা ইথিল পীদুনা ৱারী খরগী প্লোট শাগৎখি। মদুগী কাউঙমদ্রবা এক্সপরিয়েন্স-পূমতোপ তোপ্পা অমনি। অসিনা মরম ওইরগনি, ঐগী মথোৎ-কারক' মতমগী মঙলান'-তাইবং অয়াম্বা বেঙ্গলিদগী হন্দোকপা, মীতৈলোন্দা ইবা উপন্যাসশিংগী ক্যারেক্টরশিং নৎত্রগা হিন্দি ফিল্মগী হিরোইনশিংনা কন্দুনা লৈখিবা। হায়-স্কুল পুন্সি লোইরদুনা কোলেজগী তেল্লবা পুন্সি অদুদা থেংনরকখিবা নুপা-নুপী - কো-এদ্যুকেসন-সিষ্টম অদুনসু রোমান্তিক-ড্রিমস মথৌ শঙবা নত্তনা কনাগুম্বী অমত্তগা য়াম্না নক্কা নকশিন্নবগী এক্সপরিএন্স অদুদি ফংলকখিদে। অনৌবা চহী থুংলবা, ন্যু য়র মতমদা তরাম্না ওকপগী 'গ্রীটিং কার্দ' নুংশিবী মঙোন্দা পীননবা খনবদা 'করম্বা ৱারোল' না ঐগী থম্মোয় ইহুল খ্বাইদই হেন্না চূনবগে য়েংখি। ... 'আই হেব নোট স্লেপ্ত ফোর ফিয়র আই ৰুদ ব্রেক তু ফাইন্দ ওল দিস বট এ ড্রিম' ... মতমদুদা থম্মোয়সিদা য়ৈখিবা ৱাহৈ পরেং অমনি।

'জেক্কলিন সুসেন'না ইবা 'দোলোর্স' হায়বা নোভেল অদু পারুবদা নোংচুপ লোমগী ইনখৎলক্লিবী লৈশাবীশিংগী রোমান্তিক লাইফকী অঙকপা শক্লোন অমা উরকখি। নুপীমচা অমগী অহানবা সেক্সুএল এক্সপরিএন্স অদু অপোকপা মপাগা শানবা ৱারীগী সবজেক্ট অমা ওইহনবা-ৱাখলসিনা লামশিনবা ঙম্লরোইদবা রিঅলিটি অমনি। লমদমসিদা কনাসু ঙম্নি থাজদে।

ফনা কুইরে, চহী কুনমরি-মঙা শুরম্লগনি 'রিদর্স দাইজেষ্ট' মেগাজিন্দা আর্টিকল অমা পাখি। অইবদুদি কাউখরে, তাইটলদুদি নীংশিংলি - 'দান্সিং ইন দ দার্ক' (অমম্বদা জগোয় শাবা) । ৱারেং অদু অমেরিকাগী স্কুলশিংদা ইনখৎলকপা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংনা, মখোয়গী দান্স অমসুং ম্যুজিক টিচরশিংগী মতেংদগী, মাগী মাগী থম্মোয়বু কাইহৌরিবা মহাক্কা মপাঙ ওইদুনা স্কুলগী জিম্নাসিয়ম মনুংদা মুশি মুশিবা মঙালদা হকচাং অনী চিপক্লনা জগোয় শামিন্নবগী থম্মোয়ইরাং হৌহনবা, পুন্সিগী অহানবা মীকুপশিংদু শৈথাবনি। কল্লবা, শান্নবগী খূৎশু-খূৎলায়, বেট-হেন্দল পায়বতদা হৈরবা খূৎশাশিং অদুনা থম্মোয় হুনা ফজরবা, নীংথিবী মাগী চেংলবা খ্বাংগী থোৎলবা হকচাংদুদা শোক্লুবা মীকুপ্তুদা হকচাং পূন্বা তুজুংখিবা... অদুবু, ঈশৈ অমা লোইরগা অতোপ্পা ঈশৈ অমা হোংবা খুদিং, পার্টনর অমমম হোংদুনা... হৈ শিংলবা অইবদুগী ৱাহৈশিং অদুননি, অমুক্তসু থেংনরকখিদ্রবা এক্সপরিএন্স অদু ইশামক্তা থোকখিবগুম, অদুঙৈগী চান্নবী, ঐগী ওইবা ফংখিদ্রবীদুগা জগোয় শামিন্নখিবগুম তগৎ-তগৎ তেকপা নীংশিং-শক্তম ওইনা মীৎমাঙসিদা চোংথোকহল্লিবা। খনখি- মতমদুগী নুপামচা-নুপীমচাশিংগীদমক্তি 'হায় স্কুল' নুংশি-নুংওন-ঈরাং হৌহনবা, রোমান্তিক-ম্যুজিক'না নিল্লবা 'বোলরুম-দান্স-থিএটর' তঙাইফদবা অমা ওইরবা, 'কো-এদ্যুকেসনল পেরেদাইজ' অমা শোয়দনমক্কী ওইরমগনি। অইবদু .ঐহাক্কুম্বা অমা শোয়দনমক্কী ওইরমগনি, 'নখোয় কনা কনা জগোয় শাবা হৈ, অহৈবশিং নখূৎ থাঙ্গৎলু' হায়না ম্যুজিক টিচরদুনা লাউথোরকপদা মখূৎ থাঙ্গৎখিদে হায়, 'হৈত্রিবশিং, হয়েং নুংথিল দান্স-টিচর-মেদামগী নাক্তা রিপোর্ট তৌগদবনি'...।

দান্স-টিচরগী মনাক্তা চৎলগা রিপোর্ট তৌরুবা, মহাক্কী 'ড্রিম-গর্ল' ওইরম্বীদুগা লোয়ননা জগোয় শামিন্নখিবা, মঙদুনা অচুম্বা ওইরকপদা দান্স-টিচরদুগী থৌদাং... শৈথাদুনা ইখিবা অইবগী ৱাহৈশিংদু মীৎমাঙসিদা জগোয় শারকই ... 'বোইজ! ... ঐনা ৱান, তু, থ্রি, ফোর কাউন্ট তৌরকপদা নুপীমচা অমগী নাক্তা চঙশিন্দুনা জগোয় শামিন্নসি হৌগদবনি ... নখূৎ য়েত্তুনা মাগী খ্বাং মপাদা থল্লগা ওইথংবা খূৎতু পান্বোম ৱাংনা থাঙ্গৎতুনা তুমা শুবা মশীং খুদিংগী খোঙ্কাপ অমা মাঙলোমদা, তুমা শুদবা মশীং খুদিংগী খোঙ্কাপ অমা তুংলোমদা হন্দোক্কদবনি ম্যুজিকসিগী তান্থাদা... মখ্বাংদা থল্লিবা খূৎতুনা হকচাংদু চিপক্লনা চিংশিনবা ঙম্লিবমখৈ জগোয়সিগী ফজবা হেনগনি'...। দান্স টিচর, ওজা নুপীদুগী য়াথংদা শাখিবা জগোয় ... পামজবা মহাক অদুগা পূংবা ওইনা তারক্তুনা, মহাক্কী খূৎ অমদি মখ্বাংদুদা শোক্লুবা মীকুপ্তুদা মথম্মোয়দা হৌখিবা মথুম-মরাং... অইবদুনা হায়, চপ চানা ফোঙদোক্লবা মাগী ৱাহৈ থিবা ফংদে।

নীংশিং-নীংশিং তমজরিবা পাউদমসি, তমজরিবা ঐঙোন্দসু পাবিরিবা অদোমদসু তায়ওন্ননা থোক্কদবা পাউ অমনি খঙনা তমজরিবনি। মরম অমখক্কীনি। 'নুংশিবা' হায়বা থম্মোয়-ইহুল অদুদি মালেমগী মীওইবা খুদিংমক্তা মান্নরবসু মফোঙদোক্তি মান্নদে। নোংচুপলোমগী লৈপাকশিংদা চৎনরিবা চৎনবী ঐখোয়দা মরিং মরাংবগুম, ঐখোয়গী চৎনবী মখোয়দসু মরিং-মরাংগনি। দান্স অমদি ম্যুজিক ক্লাস, নোংচুপলোমগী লৈপাকশিংগী স্কুলশিংদা তঙাইফদবা অমা ওইহল্লকপা ঙসি ঙরাংতদগী নত্তে। মখোয়গী পর্পজ তোঙাল্লি। ইন্দিয়ন এদ্যুকেসন সিষ্টম অসিগী মনুং চন্না, দান্স-ম্যুজিক-আর্ট হাপচিন্নবা হোৎনরক্লিবা ঙরাং-নহানখক্তদগী নত্তে, হয়েং-হংচিত্তসু ওইথোক্লোই, ৱাখল খূৎখন মান্নদে। 'সেক্স এদ্যুকেসন' স্কুল করিকুল্লমদা হাপচিনগনি হোৎনরক্লিবসিগা পাংখক্লি । ন্যু এদ্যুকেসন পোলিসি- মোদিনা লাউথোকখিবদু চৎনবা হৌর' মতুংদদি অহোংবা খরা লাক্কদ্রা? হৌজিক-হোরেন খঙখিরোই। ম্যুজিক কোলেজ/দান্স কোলেজ/আর্ট কোলেজদা চৎলিবা প্রোফেসনেল ওইবা আর্টিষ্টশিংগী ৱারী নত্তে লীগে খঞ্জরুবসু। পুন্সি মশক খঙননবা হোৎনবদা চঙশিন্নরিবা এপ্রোচ'তুগী ৱারীনি।

ঐখোয় খুন্নাইসিদসু অদুঙৈ লৈরম্মী - য়ূম্বান পুন্সি মমাঙদা নুপা-নুপী শকখঙননবা মিনিয়েচর ইন্সটিট্যুসন - 'লৈশা ফান-পাখঙ ফান'। অচৌবা কম্ম্যুনিতি ওইরকঙৈদগী মূথৎখ্রবসু মাইনোরিটি ওইনা লৈরিবা কম্ম্যুনিতিগী খুল মচা মচাশিংদদি ঙসি ফাওবা ইন্সটিট্যুসন অদু মূত্তরি। কুইদ্রি, চহী তরামরি মঙাগী মমাঙদা 'ৱিলোং' খুন্দা খোঙচৎ অমা চৎলুঙৈ, লৈশা ফানগী লৈশাশিংনা শকপা নুংওনবা ঈশৈ অমা তারকখি। ঈশৈদুগী ৱারু অমদি ৱাহন্থোক হংলুবদা খঙলকখি - ঈশৈদু অচম্বা নৎলমদে। পুৱারী অমগা ঈরোইনরম্মী। হল্লক্লগা, ৱারী অমা শাগৎখি, লৈজবা ড্রামা ফোর্মেট'তা। ৱারী অদু লীথোক্লুই মরুপ মপাং খরদা। ঐনা ইকায়খুম্নজবা গুরু অমনা থিংখি 'ড্রামা অদু ইরুনু, লৈপাক ৱাথোক ওইগনি'। গুরুদুবু ইকায়খুম্নজদুনা, থম্মোয় ইহুল নমথখি- 'ঐগী য়াইফনবা, ফননবা খনবা ওইরিনি'।

'লৈশা ফান-পাখঙ ফান' গী ইন্সটিট্যুসন মূৎখ্র'তুংদসু হৌদোক্লম্মী - লৈশা লৈবা ইমুংদা পাখঙ কোয়বা চৎপগী, লৈশানা খুদোং হানবই চৎনবী ... লীকোন কৌবা মশান্না, পাখঙ লৈশা অনীনা, থম্মোয় -য়াৱা ফোঙদোক্লদুনা পুন্সি-পুংবা খন্নবগী তাঞ্জা পীবা চৎনবী'...।

ঙসিদি, লৈঙাক ওথোরিটিনা ত্রেদিসনেল ভেল্যু তুংওইনখ্রবদা, পাখঙ-লৈশা অনীনা থম্মোয় লান্থোক্লবগী পান্বে ওইনা শেন্নম্মী - মোবাইল ফোন অমদি ইন্টরনেট।

*—ইন্দ্রকুমার*

# হুন্দুং খুল্লাকপগী মচানুপী

থায়না মমাঙঙৈদা হুন্দুং খুলগী খুল্লাকপগী অমত্তা পোকচবী মশক মতৌ ফজবী লৈশাবী অমা লৈরম্মী। নুমিৎ খুদিংগী মহাক মমা নৎত্রগা মপাগা লোয়ননা লৌউবা চৎলি। নোংমদি মহাক মতোমদা লৌউবা চৎপদা ইখঙ খঙহৌদনা কুরাক অমা পাইরক্তুনা মাগী খোইদৌদা তোংলম্মী। কুরা কঅদু লৌথোকপা য়াদে, তান্থোকপসু চৎতে। অসুম্না ঙাইহাক তোংলম্লগা কুরাক্তু মতোমতা পাইজখি। কুরাক তোংলম্বা নুমিৎ অদুদগী খুল্লাকপগী মচানুপী লৈশাবী অদু মীরোল্লে। থা অমা অনী ফাজিল্লক্লবদা মহাক মীরোল্লে খঙবদগী নুংশা থিরক্লে। মাবু পোকপা মমা মপানা করিগুম্বা খঙলক্লবদি ফূবি চৈবীগনি কিবনা মহাক তূম্বা চাবা চঙদ্রে। অসুম্না নোংমা নোংমা হৌখিবনা থা অহুম মরি শুজিল্লক্লবদা নুংশাথীবদা নত্তনা মহাক মতোমতা লোন্না কপ্লক্লে। নোংমা মতোমতা লৌবুক্তা লাক্লগা মশাদা ইল্লিবা করৌফি অদু লৈবাক্তা থারে। মহাক্না থারিবা কারৌফিগী মনাক্তা ফম্লগা পঙলবী লৈশাবী অদু খঙহন্দনা মীরোলহল্লিবা নহাক মী ওইরবসু লাই ওইরবসু থোরক্লে ঐনা থাজরিবা করৌফি অসিদা ফম্বিরো হায়না মথৱায় ৱানা কপ লাউদুনা হায়জরক্লবদা লাই নুপানা লিনগী মশক লৌদুনা লাক্লগা মাগী কারৌফিগী মথক্তা কুল্লরে। অকিবগী মশক ফংনা চাউরবা লিন অদু উবদা মহাক কিবনা পাখৎলে, মনাক্তা চঙবা ঙমদ্রে। লাইনা ওনবা লিন অদুনা মীরোন্না ইবেম্মা কিগনু ঐগী নাক্তা ফম্লো লাউ হায়রবা ফাওবদা মহাক্তি কিদুনা চঙদ্রে। লৈশাবীগী অকিবা মওং মতৌদু উবদা লাই নুপানা ওনবা লিনদুনা খঙহৌদনা মশক মতৌ ফজবা নুপা অমা ওল্লে। মদু উবদা লৈশাবী অদু ঙক্লে কিবা খরা ফরে। নুপা অদুনা হন্না হন্না কৌশিল্লক্লবদা মহাক অকিবা অমসুং হঙ্গোইবা লৈতনা নুপা অদুগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা মখোয় অনী ফম্মিন্নরে, ৱারী ৱাতাই শাদুনা চামিন থকমিন্নদুনা লৈরে।

লিননা ওনবা নুপাদু লৌবুক্তা লাক্তুনা লৈশাবী অদুগা মখোয় অনী ৱারী শাবদু কনা অমত্তা উহন্দে। মীরোনবা থা মঙা তরুক ফারক্লবা ফাওবদা মানা মমা মপাদা কিদুনা হায়দোক্ত্রে। অসুম্না মতম খরা হৌখ্রে, লৈশাবী অদু মীরোনবা থা তরেৎ নিপান ফাজিল্লক্লবা মতমদদি হায়দোক্তবা য়াদদুনা মমাদা তাকথোক্লে। মমানসু মপাদদি কিদুনা হায়দোক্তে। নোংমা মপা খুল্লাকপনা শা তানবা চৎলুবদা শা অমত্তা ফারক্তদুনা হল্লকপদা মচানুপী লৈশাবী অদু মীরোনবগী মওং মতৌ উবদা মহাক শাউরে। মচানুপী কৌরগা নহাক্কী নুপা কনানো হংলক্লে। মচানুপীনা মাগী নুপাদি মী নত্তে, লাইনি হায়রক্লবদা মপা খুল্লাকপনা থাজদদুনা মশক য়েংগে কৌ হায়রক্লে। মপানা কন্না তকশিল্লক্লবদা লৈশাবী অদু খাঙবা ঙমদদুনা মপাগা লোয়ননা লৌবুক তান্না লাক্লগা মশাদা ইল্লিবা করৌফি অদু থারগা মবুংঙোবু কৌরক্লে। 'হে লাই ইবুংঙো! নহাক্না নুমিৎ খুদিংগী ঐগী ইনাক্তা লাক্লগা করৌফিদা ফম্বীবদু ঙসিসু লাকপীরো, ঐগী ইপানা নঙবু নশক য়েংগে তাকপীরে''। অসুম্না মানা হন্না হন্না কৌজবদা মাগী অশেংবা মশক অদু লৈশাবী অদু নত্তনা কনাবুসু উহন্নীংদবদগী লাইদু লাক্ত্রে। খুল্লাকপনদি মাবু হেক উবদা হাৎকে হায়না ৱাশকপদু তাবদা কিদুনা লাক্তবনি খল্লি। মানা কৌজরিবা লাই অদুনা থোকপীরক্ত্রবদা খুল্লাকপদু শাউবনা ফি ফি কামলে, মচানুপী লৈশাবীনা মচিল থিদুনা পঙাং ঙাঙবনি, মাবু চোপহনগে তৌবনি খল্লদুনা মচানুপীবু ফূ ফুদুনা ময়ূম তান্না পুরক্লে। হয়েংগী নুমিৎতা নঙবু মীরোলহল্লিবা নুপা অদু মী ওইরবসু লাই ওইরবসু ঐঙোন্দা উৎপা ঙমদ্রবদি নহাক হাৎকনি হায়রক্লে। মপাগী অকনবা ময়াথং অদু তাবদা লৈশাবী অদু নুংশা থিরে, নুমিৎ অদু মহাক চারা হেন্দুনা কপ কপ্তুনা তূমখ্রে। অহিংদা মাগী মমঙদা লাই অদু লাক্লগা ''ইবেম্মা! নহাক নত্তনা কনা অমত্তা খঙহনবা য়াদে, অদুনা লাক্তবনি। নহাক নপাগী মনাক্তা লৈরবদি মীৱা মৈশা তারগনি লৈফম চাফম খঙলরোই। অদুনা হৌজিকমক নমা নপাগী য়ূম থাদোক্লগা চেল্লকউ, ঐ নঙবু হুইমৈ খুলদা ঙাইদুনা লৈরমগে''। অসি হায়রম্লগা লাই অদু মাঙখ্রে। লৈশাবী অদুনা মীকপ হেক থোরকপগা মমঙদা লাইনা হায়রম্বা ৱা অদু নীংশিংদুনা মমা মপা খঙহন্দনা অহিং অদুদা ময়ূম থাদোক্তুনা চেল্লক্লে।

নোংঙাল্লগা ময়ূমদা মচানুপী লৈরমদ্রবদা খুল্লাকপদু মখূৎতা তা পায়রগা থিবা হৌরক্লে। খুল থুংনা চৎতুনা থিবদা ফংলক্ত্রবদা অতোপ্পা খুল তান্না থিবা লাক্লে। মপানা মাবু তান্নরক্লে খঙলদুনা মপা খঙদনবা নোংমাংখা পান্বীগী মরুমদা লুমদুনা লোৎপদা লোক খুরক্তনবা নোংমাংখা মনা চাদুনা লৈখি। অদুনা হৌজিক ফাওবা নোংমাংখা মনা চারবদি লোক খুবা, লোক থুংবা ফৈ। থিবা হৌনবমখৈ থিবদা মচানুপী ফংদ্রবদা খুল্লাকপা অদু শাউনা শাউনা ময়ূমদা হনখি। অসিদগী খুল্লাকপগী মচানুপী লৈশাবী অদু মতোমতা লাক্লগা হুইমৈ খুলদা লৈখি। মফম অদুদা লাই নুপা অদু লাক্তুনা মখোয় অনী লৈমিন্নখি। অসুম্না হুইমৈ খুলদা লৈদুনা থা তরা মপূং ফারগা মচানুপা অনী পোক্লে। মচানুপা পোকপা নুমিৎতগীদি লাই নুপা অদুদি মাগী মনাক্তা অমুক হন্না লাকখিদ্রে। হুইমৈ খুলদা লৈদুনা য়োক্লকপা মচানুপা অনী অদু নোংমা নোংমগী চাউশিল্লক্তুনা পাখং ফারক্লে, মমাগী মতেং পাংলক্লে।

নোংমা মচানুপা অতোনবনা ইমা ঐ তমদা কুমদুনা লম য়েংলুগে হায়রবদা মমানা ইচানুপা নহাক্তি অতোম্বনি নপাঙ্গলসু শোল্লি করম্না নতোমতা তমদা কুমদুনা লম য়েংবা চৎকদৌরিবনো, চৎকনু হায়না মমানা থিংবদা মানা য়াদ্রে। মমানা পীবা ওক অমোম অমা য়াইঙং মনাও খরা পাল মনাও খরা ফৌ খরগা চয়োম য়ুখোম ময়ামদু পুদুনা মচানুপা অতোম্বদু তমদা কুম্লক্লে। খরা চৎলগা মফম চাবা য়েংদুনা অহিং লেক্তুনা লৈবদা মহাক্না পুরকপা ওক অমোমদু ওক লাবা অমগা ওক্লখি হায়বগী মফম অদু উখুল কৌনখি। মফম অদুদা মতম খরা লৈরগা মানা পুরকপা ওক অমোমদু পুদুনা অমুক লাক্লে। মানা অসুম লাকপদা ওক অমোমদু থাশিং শুরক্তুনা মচা পোক্লে হায়বগী মফম অদু ওকপোকপী থোল্লে, হৌজিক্না য়াইঙংপোকপী কৌনরে। মফম অদুদা মতম খরা লৈরগা অমুক লাকপনা লৈতেম মান্নবা তম্পাক য়ৌরকপগা মাগী লৈনবা য়ূম অমা শারে। মহাক্না মতোমতা মফম অদুদা লৈরিঙৈদা নোংমা নোং য়াম্না কন্না চুবা নুমিৎ অমদা কবুই মচল মবুং অনী লাক্তুনা মাগী য়ূমদা নোং থুপ্তুনা অহিং লেকখি। নুমিৎ অদুদা কবুই লৈশাবী অদুগা মাগা নুংশিনদুনা লৈশাবী অদু মাগী নুপী ওইনা লৌহৌই, কবুই মবুং অদু মতোমতা ময়ূমদা হনখি। মখোয় অনীনা তম্পাক্তা লৈদুনা লৌ উদুনা ইঙ্খোল কোইদুনা মমানা পীরকপা পাল, ফৌ অদু থাদুনা য়াম্না লোক্লে। ওক অমোম অদুসু মচা য়াম্না পোক্লে। চহী ওল্লকপদা মচানুপা অমা পোক্লে। মচানুপা পোকপা নুমিৎ অসিদা চীংদা লৈবা ময়াম্বগা মমাগা অনীনা মাবু থিবা লাকপদা কবুই পাখং অদুসু মচল উনবা লাকপদা লম্বীদা থেংনদুনা মাগী ময়ূমদা মখোয় অহুম লাকমিন্নরে। মখোয় ময়াম্না নৌনা পোক্লিবা অঙাং অদুবু কাঙলূপ অনীগী মচানি খঙননবা অঙাংগী মমিং মীতিন থোল্লে। মতুংদদি নুপা পোক্লগা মপাগী কাঙলূপ্তা তিনবা নুপী পোক্লগা মমাগী কাঙলূপ্তা তিনবা হায়নসু য়ানরে। অসুম্না তাঙ্খুল পীবাগা কবুই নিংঙোলগা লৌনা লৈনদুনা তম্পাক খুন্দা লৈতানা লৈমিন্নবা হৌখি হায়নৈ।

**-সরাংথেম বরমনি, সাহিত্য ভুষন**

(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'চীং-তমগী ফুঙ্গা ৱারী' দগী লৌখৎচবা)

# পলহৌরবা কাউশিং (৩)

পুং ১০গী অদুৱাইদা নুংবাদা থুংখি। মফমদুদগী থৌথরক্লগা কম্বিরোন খুল থেংনরে। মথংদা লুংকাও খুল, মফমসি মণিপুর ইমাগী মমোম - অসাম, মণিপুর, নাগালেন্দবু খুন্দারিবা লিয়াংমৈ, জেমি, রোংমৈ অমদি পুইসৈ, ইনপুই ফুরুপশিংগী অপূনবা শক্তম অমা শেমগৎনবা হোৎনরম্বী গাইদিনলিয়ুগী পোক্লফমনি। পুং ৩দা জিরিবাম য়ৌখি। মথংদা অসামগী শ্রীবারগী থৌচোম ববাচান্দগীদা অহিংদুমা পোত্থাখি। ত্রিপুরাগীদমক অসামগী ঙমখৈ লান্নবা লাকপনা ঐখোয়গী মণিপুরগী অহল লমনশিংনা (কোইরেংগঞ্জ) অশেংবদি 'করিমগঞ্জ' ফাবৌগীদমক মমিং চৎপা মফম লাল্লগা চৎকদৌরিবনি। রেলৱে ষ্টেসন উবদা কাউরুরবা থৌদোক অমা নীংশিংলকখি। হৌখ্রবা মতম অমদা রেলৱে কন্সেসন লৌবদা মতেং পাংবীরকখিবা হেদ ক্লার্ক লোংজম অনিলনি। লেপ্তুনা লাকপনা অসামগা ত্রিপুরাগা তাইনবা খুল চুরাইবারি য়ৌরে, মথংদা ধর্মনগর, তুলসি কোটি রানিগী মীংদগী থোনখিবা রানি বজার য়ৌই। মফমসিদগী কিলোমিটর ৯ লোম চঙশিল্লগা ''ত্রিপুরাগী কোনুং অগরটলা'' য়ৌরে। মফমসিদগী মখারোমদা চৎলগা সুরজমনি নগর লৈরে। মফমসিদনি ত্রিপুরাগী য়ুনিভর্সিটি লৈরিবসি। সুরজমনি নগর ত্রিপুরাগী মহারানি অমগী মমিং লৌদুনা থোনবনি। য়ুনিভর্সিটিদা অহিং পোত্থাখি। নোংঙাল্লগা তাং ২১-১-২০২১দা মণিপুরী লিটরেচর কলচরেল ফোরম ত্রিপুরাগী খোইস্নাম মাঙ্গোলগীদা লাকপীনবা টেলিফোন ফংখি। চৎনবা খন্নরিঙৈদা মাঙ্গোল য়ৌরকপনা হানখি। মানা লমজিংদুনা মখোয় চৎলি। ত্রিপুরাদা ইবুধৌ পুথিবা (উমংলাই) থেংনৈ। ওভাই নগরদগী থোকচোম ভানু মাইবি হায়বা অমনা হৌদোক্লম্বনি। মথংদা রুদ্রা সাগরগী নিরমহলদা থুংখি। নিরমহল পাৎ ময়ায়দা লৈবা মহরাজ বীর বীক্রম কিশ্বর মনিক্য বহাদুরনা ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পনিগী মার্টিন অমসুং বার্নসননা কুমজা ১৯৩০দগী ১৯৩৮ ফাওবা চহী ৯ চংনা শাহনখিবনি। মফমসিদা চৎপসি হি নৎত্রগা মোটোর বোটতা চৎলি। হৌজিক্তি লৈঙাক্না লৌশিনবীখ্রে।

তাং ২৩-১-২০২১, থাংজ নুমিৎতা ত্রিপুরা প্রেস ক্লবতা ত্রিপুরা য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী প্রোফেসর জি পি প্রসয়ান মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা কম্মর্স দিপার্টমেন্টকী হেদ ওইরম্বা অইবগা হান্না লোয়নখিবনা অথোয়বা মীথুংলেন অদুগা এন প্রফুলোবিজনা থৌরম মপু ওইখি। খোইস্নাম মাঙ্গোলনা ইবা ''মীতৈগী শীংলিদা মিহুল চোংদ্রে'' ফোঙখি। মথংদা অহল ওইরবা শক্লাইরবা অইবা নিরঞ্জন দত্তদা লময়ানবা সাহিত্যগী পুজারি মিংথোলগা লোয়ননা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ পীখি। অইবগী ডা. কমল পুন্সি অমসুং থবক হায়বা লমায় ৬ পানবা অমসু মীয়ামদা খুদোল তল্লমখি। থৌরম লোইরবনিনা মথং নুমিৎকী অয়ূক্তা ত্রিপুরা থাদোরকখি। নুংথিল পুং ৫ তাবদা শ্রীবার য়ৌরকখি। অহিংদুমা লেক্লগা মণিপুরগীদমক খোঙশাল্লকখি। চীং লম্বীদা হল্লকপনিনা শুমচিৎনা পাক শন্না হৌরম্বা উবদা অসামগী চৎনবী অমা নৌহৌনা অইবনা নীংশিংলকখি। মদুদি অসামিশিংনদি শুমজিৎপু তাশিন খোমজিনবী ওইনা লৌনৈ। করিগুম্বা থবক অমা চখোকপদা শুমচিৎ শিৎপা থেংনরবদি থবক্তু শোয়দনা মায় পাক্লগনি হায়না খন্নৈ। শুমচিৎপু লক্ষ্মীগী সাইওন ওইনা লৌই, শুমজিৎপু খোঙনা কাওবা, নেৎপা হায়বসি তৌনদে। ঐখোয়গী মণিপুরদদি শুমজিৎ ওমঙ্গোলনি হায়না লৌনৈ। মসিমদি বেঙ্গলগা মণিপুরগা মান্নৈ। অদুবু ইমোইনুগী মতাংদদি ইমুংলোমদা তকশিল্লো হায়না হায়নৈ। মতাং অসিদা তকশিল্লিবা শুমজিৎকী মশকসি করি ওইগদগে? ৱাহংনি অদুগা ঐনা থেংনজরকপগী মতাংদনা মপানগী লমশিংদদি লক্ষ্মী নুমিৎসিদা শুমজিৎ লৈনৈ, ঐখোয়গী মণিপুরদনা কোনগুম্বা অরংবশিং লেপশিল্লি। অনী অসি য়াম্না চাউনা খেন্নৈ। অসুম্না হল্লকপগী খোঙচৎসি তাং ২৬-১-২০২১ রিপব্লিক দেগী বন্দ লৈবদগী বন্দ নঙদনবা তাং ২৫-১-২০২১গী নুংথিলদা য়ূমদা থুংলখি।

পুন্সিদা দাগফম অমা - ৱারেং মচা অমনি। শুপ্নতগী লমায় অমগা তঙ্খায়তগীনি। অদুবু ৱারেংসি মমলদি য়াম্না ৱাংই। তাং ২-২-২০২১দা খঙহৌদনা অইবদা বি পি ষ্ট্রোক্কী লাইওং উৎলকখি। মচা নুপা পুপুনা ডাক্তরদা পুই, সী টি স্কেনগী মতেংনা কোক ওইথংবগী লুখমগী শরুক্তা শীংলি অনীগী মথক থংবা কুরাংবান্দু পাথরে হায়বা খঙলকখি। অদুবু মতম চানা লায়েংহৌবদগী কনবা ঙমখি। মসি অইবগীদমক্তা নত্তে, মীপূম খুদিংদা পাড়া অমনি। মদুদি ''প্রিভেন্সন ইজ বেট্টর দেন কিওর'' নি। অতোপ্পা অমনা নুংশিবা হায়বসি মখল মথেল কয়ামুক লৈ। মসিগী মনুংদা মরুপ মপাং থম্মোয় শেংনা নুংশিনবগী মরী ময়েক শেংনা উৎলি। অইবসি লম কোয়বা পাম্মী। লোয়ননা থিজিনবা পাম্মী। অপাৎপদা হয়িং থাজিনবা হায়বদুনি। ঐচ এস এল সী এগজামিনেসনগী এস.ও. ওইনা চৎলি। মখোয়গা লোয়নরকপদগী মচিল মনাও ওইনা অমত্তা ওইরকখি। অৱা নুংঙাই শরুক য়ামিন্নরকখি। অইবনা হন্দক নাবগী পাউ ফংবদগী লাপ্লবা তামৈদগী ডা. হুনিবৌ, ওজা অদিবৌ অমসুং কেংগুগী মপা কিনহিপিং ন্যুমাই অনাবা হংবা লাকখি। কেংশুংনা পীরকপা চিঠি অমসু লোয়নরকই, হাংদোক্তুনা য়েংলুবদা হীদাক লৈনবা লুপা ১০০০ অমা য়াওরমখি। লাকখিবা মখোয় অহুম্নসু মানা মানা ঙমজবা পুরকখি। মসিদা অইবগী মিৎলুগী পিরাং থিংবা য়াখিদে। মরমদি তামৈদগী অনাবা হংবা লাকপগী মমল মপাল নাইদে। তমগী অইবা অমনা চীংমীশিংবু নুংশিজবা, চীংমীনসু তমগী অইববু কয়াদা থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা, লাক্লিবশিংসি কিলোমিটর ১০০গী মথক্তা লাপখ্রবা মফমদগীনি। লাইরিক অসি ফোঙবা নুমিৎতা মফমসিদগী ওজা কেংশুবৌগা খুলগী চ্যেরমেন দৈচ্যুং, দিস্যুং লোয়ননা মখোয় খরা অইবদা পীনবা খুদোল পোৎ পুদুনা লাকখি। মখোয়গা ঐগা ৱারী শানবদগী ৱাফমসি খঙখি মদুদি কুমজা ২০০২দগী ঐস এস এল সীগী সুপরভাইজর ওইনা চৎপদগী শকখঙনরকখি, লোইননা লিয়াংমৈ লোল চাওখৎনবগীদমক মহাক্না লমজিংদুনা ক্লাস টেনগী টেক্সবুক পুথোক্তুনা বোর্দনা রেকমেন্দ তৌদুনা পরিক্ষা থাবা য়ারে। মরম অদুনা লিয়াংমৈ কাঙবুনা য়াম্না নুংশিনা লিয়াংমৈ সরত হায়না খঙনৈ। মসিমক চীং-তম অনীগী মরক্তা ফিদমনীংঙাই ওইরবা অপূনবগী শক্তম অমা ময়েক শেংনা উৎলবনি।

অরোইবা ৱারেং ''মগুলোং খোঙচৎ'' - মগুলোং খুল - তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তৌসেম সব দিভিজনদা লৈ। সমুদ্র ঈমাইদগী মিটর ১৪০৬ ৱাংনা লৈ। লোয়ননা মরাম, ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৭৮ লাপ্পী। মরামদগী খা নোংচুপ পাংনা কিলোমিটর ৭০ রোম চঙশিল্লগা য়াংখুলেন খুল য়ৌগনি। মফমসি জেমে ফুরুপনা খুন্দারম্বা মফমনি। চহী খরা লৈরগা তসেন, মথংদা ইলেং খা পাংনা লাক্লগা কতাং মথংদা হৌজিক হৌজিক মগুলোং হায়না খঙনরিবা খুলসিদা নৌনা খুন্দারকখিবনি। মগুলোং খুলগী চ্যেরমেন দৈচোং দিস্যুং চহী ৭৩ শুরবা অসিনা অসুম্না হায়রকখি, খুনসিগী মমিংসি হান্নদি 'হৌলো' কৌরম্মী হৌজিক থোল্লিবা মগুলোং হায়বসিদি মগু হায়বসি জেমে লোলদা লাওবা উচেক হায়বনি। উচেকসিগী মমিং লৌদুনা থোনবনি। অদুগা উচেকসি ইংরেজিদদি হ্বাইট ক্রেষ্টেদ লফিং থ্রশ কৌই। মসিগী উচেক অসি অৱা নুংঙাইগী পাউদম পীবা মখলগী উচেকনি, লমখুনুমুক চাউবা মচিন তূম্বা উচেকনি, করিগুম্বা থবক চৎপদা উচেকসিনা মীওইদুগী তুংলোমদা খোংলবদি থবক্তু মায় পাকই, মাঙলোমদা খোংলবদি মায় পাক্তে। ঐখোয়গী তম্পাক লমদসু ক্বাকসি অসিগুম্বা মখলগী উচেকনি।

ঐচ এস এল সী পরিক্ষা লৈতবা নুমিৎ অমদা অইবসি এস বি আই তামৈ ব্রাঞ্চতা ওজা কেংশুংবৌগা চৎপদা ইরং তুরেলদগী হৌরকখিবা লৈচিলগী মপৈশিংদু অগাকি তুরেল খোংনুং মপা য়ৌরকপদা খঙহৌদনা মাঙখি, মতৌদু উবদা অইবা ঙকখি। কেংশুংবৌদা হংলুবদা মসিগী মরমগী ফজরবা চিনফাং ৱারী অমা লৈরম্লে, ৱারীদু মসিনি - ইরং তুরেলগা অগাকি তুরেলগা তিন্নরগা পূন্না চেন্থমিন্নসি হায়না য়ানখি। অদুগা বরাক তুরেলনা য়েনবুম মপুন অমা খুদোল তৌরগা অগাকি তুরেলনা বরাক্কা চেন্থমিন্নখি। হৌজিকসু ইরংগা অগাকিদা পূন্না চেন্থমিন্ননবা য়ানখিবা তুখুল পরিংদু লাংমৈ খুলগী মখা থংবা শরুক অমসুং তলৌলোং অনীগী তায়নবা মফমা লৈরি। অগাকি হায়বগী অর্থদি হীরম অসিগা মরী লৈননা হায়নবা ৱাফমদা 'মীনম্বা' হায়বনি।

*- শংলাকপম অচৌ শর্ম্মা*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।